# মণিপুরদা নুপী অমসুং দ্রগ 'মপাম চাকসু চাদ, মৱা চাকসু চাদা'

- ৱাঙ্খেমযূম ওলে -

ইশামক হান্না নম্বর ৪ হেরোইন দ্রগতা লাইচুরম্বা নুপা অমনি। মশীং থিঙমদনা রিহেবিলিটেসন সেন্টর কয়াদা কয়ারক লৈজরুরে। কোন্নথংদা ৱাখল তারকপদগী ইশামক ময়াই কাবা চিঞ্জাক খুদিংমক্তগী তোকপদা নত্তনা তুংদা হৌরক্লিবা নহারোলশিংসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরক্তনবগী পান্দমদা চহী মরিগী মমাঙদা রিএলাইজ রিহেবিলিটেসন সেন্টর কৌবা অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মোংজম চিংজিন্দা হাংদোকচখি। অনীশুবা চহীদা ঐঙোন্দা গাইদ তৌবীনবা লৈবাক্কী শক্লাইরবা ওজা য়াম্নেম লাবগা থেংনজখি। মহাক্লা সেন্টর অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওইবতা নত্তনা মোংজমগী পূক্লিং নিংথিনা হুরবা ইনভাইরনমেন্টদা লৈবীগে হায়দুনা সেন্টরসিগী নুমিৎ খুদিংগী ওইনা সুপরভাইস তৌবিরক্লি। মথংদা মণিপুরগী শক্লাইরবী ফিল্ম এক্টর তোম্থোই লৈশাংথেমসু ঐখোয়গী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইনা য়াওবীরকখি। লোয়ননা মণিপুরগী ৱিমেন সোসল এক্টিভিষ্টকী ফ্রন্টলাইনদা চেনবীরিবা ইচে খোংমন্দগী রতনা লিশমসু ঐখোয়গী খোঙজেলসিদা য়াওবীরকখি। নুপী-নুপা য়াওবা কমপ্লিট টিম অমা আর আর সীগী ওইনা শাগৎচবা ঙমখি। লোয়ন-লোয়ননা শরত ঙাঙোম হুংয়োসু ঐখোয় ইরক্তা লিগেল এদভাইজর ওইনা য়াওবীরকখি। ঐখোয়গী টিম মপূং ফারক্লবা মতুংদা ঐখোয়না মণিপুরদা লৈরিবা নুপী দ্রগ য়ুজরশিংদা মতেং পাংবা হৌখি। মরমদি নুপী ওইবী কয়ানা ঙসিদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরুরবা মতুং হিংনবগী পান্থে থিরকপদা দ্রগ য়োনবী হায়বগী মীংথোল অদুসু ওইরকখি। মসি পূম্নমক উরুরগা ঙমজবা মতেং পাংবীদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়াওদবা অনৌবা পুন্সিরোল অমদা হল্লক্নবা ফিরেপ অমা লৌরকখিবনি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মণিপুরদা শাফোংলবা কুমজা ২০২০গী মার্চতগী লাকপা হৌরকখ্রবা মতুংদা মণিপুর দ্রগকী হোটস্পোট ওইরিবা অৱাং বি ও সী হায়না খঙনবা মফম অসিদা ঐখোয়না নুপী দ্রগ য়ুজর কয়াদা লেম্না ব্রেকফাষ্ট অমসুং লঞ্চ হাপ্তা হায়বদি চয়োল অমগী ওইনা শীনজখি। অদুক লুরবা মতম অদুদা, নোংমগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক ফংনবা হোৎনবদা অকি তুজুংবা লৈতনা দ্রগতুদি থাদোকপা ঙমদবনা কোয়চৎ চৎতুনা দ্রগ থিবা তোকখিদে অমদি চাগনি-থক্কনি খঙখিদে। লুরবা তাঞ্জা অদুদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক ফংনবা মশাগী ঈজৎ ফাওবা য়োল্লগে হায়রবসু পান্থে লৈতবা মতমদুদা, ঐখোয়গী টিম অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওইবিরম্বী মেদাম রঙ্গিতাবলি অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ সোসল ৱেলফ্যের অমদি মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিদগী মতেং ফজনা পীবিরকখি।

চয়োল অমগী লেম্না লঞ্চ পীজরবগী মতুংদা ঐখোয়না দ্রগ য়ুজর নুপী তরুক আইদেন্টিফাই তৌবা ঙমখি। মখোয় লোইনমক হিরোইনদা লাইচুরবী মীওই ঙাক্তনি অমসুং মখোয় নোংমগী হিরোইন কাপ্পবগীদমক অয়ূক নুংথিল নুমিদাং খাক্তনা কর্ম্মসিএল সেক্স ৱার্কর ওইনসু শেল তানবা ঙাক্তনি। মখোয় তরুক অদু ঐখোয়না রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা লৈননবা হায়জবদা অয়াবা পীরকখি। অদুবু লুরিবদি নুপীগী ওইনদি রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংসি মশীং য়াম্না লৈতে। মণিপুরদা নুপা দ্রগ এদিক্টশিং লায়েংনবগী সেন্টরদি মশীং য়াম্লগসু নুপীগীদি অকক্নবা মশীং ওই। শুপ্নতগী অহুমদগী হেন্না লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা নুপী ওইবী দ্রগ য়ুজর কয়াদি হৌজিকসু লায়েংবা ফংদনা লৈরি। ঐখোয়গী টিমনা থেংনখিবা নুপী দ্রগ য়ুজরশিংদুদি লম্বী অমা থিবীখ্রে।

ইচে তোম্থোই অমদি ইচে রতনা য়াওরগা ঐখোয়না মখোয়শিংদু চুড়াচান্দপুরগী তোর্বুংদা লৈবা নুপীগী রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমদা থিনবীখি। লোয়ননা ঐখোয়নসু মখোয়বু লেপ্পুনা য়েংশিনজখি। নুংশিবা মীকূপ অমনা, মোইরাং য়ৌরকপদা মখোয়গী কর্ম্মসিএল সেক্স ৱার্কর অমসুং দ্রগ এদিক্ট ওইবগী ৱাখল্লোন্দো থাদোক্লগা নুপী ওইবগী ৱাখল্লোন্দা লাক্লগা গাড়ী খাম্মু হায়রকখি। অদুগা ইচে তোম্থোইদা 'মেদাম ঐগী ফাউন্দেসন লৈবীয়ু, শম্পু লৈবীয়ু, পাওদর অমসুং ফিরোলনচিংবা লৈবীয়ু হায়রকখি।' ইচে তোম্থোইসু অদুম য়াখি অদুগা কুমথরগা মখোয়না পাম্লিবা পোৎশিংদু অদুম লৈবীখি।

খরা লৈরগা নুপীমচা অমা মখোয়না লৈরিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টর অদুগী লেত্রিনগী ফক্লাং থুগাইরগা চেনখিরম্মী। নুমিদাং পুং ৮ তাবা মতমদা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদগী ফোন অমা তৌরক্লগা অসুম্না হায়রকই মদুদি নখোয়না তোর্বুংগী রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থল্লম্বা নুপী অমা চেম্থোরক্তুনা ঐখোয়গী কষ্টদিদা লৈরি। ঐখোয়গী পুলিস ষ্টেসন্দা নুপী লৈনবগী খুদোংচাবা লৈতে, হৌজিকমক লৌথোকপা লাকপীয়ু হায়রকই। মদুদা ঐখোয়না থিনজিনবীরম্ন বা হায়রুবদা কোভিদকী দ্যুটি লোইনা তারি, গাড়ী অমত্তা শংদে হায়না খুম্লকখি। মোংজমগা মোইরাংগা লাপ্পবসি কিলোমিটর ৬০ মুকনি অদুনা পান্থে লৈতবদগী ঐখোয়গী অহল ওজা য়াম্নেম লাবনা আই জি পি এলাংবম প্রিয়ো কুমারদা ফোন তৌরগা নুপীমচা অদু থিনবীনবা ওর্দর অমুক্তা তৌবীখো হায়খি। ঙাইহাক লৈরগা মোইরাং ও সীনা ফোন অমুক তৌরক্লম্মী "ঐখোয় থিঞ্জরক্লগে অদু মী অমত্তা লাক্লগা নুপীমচা অসি রিহেব সেন্টরদগী চেম্থোরকপনি হায়না খূৎয়েক অমত্তা তৌহল্লু হায়রম্মী।' থেংজিল্লক্লবা মতম অদুদা মোইরাংদগী মরুপ অমা থিরগা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা থারগা খূৎয়েক পীহল্লম্লগা নুমিদাং পুং ১১.৩০ অদুৱাইদা নুপীমচা অদু রিহেব সেন্টর তোর্বুংদা লৈবা অদুদা অমুক পুলিস ষ্টেসনন্দগী লৌখৎলগা থিনজিনবীরম্মী।

অশেংবদি নুপী নুপা হায়বা লৈতে দ্রগকী অপাম্বনা লাকপা মতমদা চেকপন চোঙবা, থুগাইরগা চেম্থোকপা ঙম্মী হায়বদুনি।

মসিনি দ্রগ এদিক্ট অমা ওইরুবগী অৱাবা হায়বদো। দ্রগ অদু অমুক পাম্লকপদা শিনি-নানি খঙদনা, কোভিদকী কিবা অমত্তা লৈতনা চেম্থোরক্লিবদো। মসিনি দ্রগতা এদিক্সন চুরুবা অমগী অৱাবা হায়বসি নুপা নুপী মরক্তা করি অমত্তা খেন্নবা লৈতে। মতাং অসিদা ঐনা ইচল নুপীগুম্লবী হিরোইনদা লাইচুরম্বী অমগা ৱারী শাজবদা অসুম হায়না পাউদম্লকখি। ৱাহৌদোক্তা দ্রগতা লাইচুবা হয়বা অসি 'মপাম চাকসু চাদা, মৱা চাকসু চাদা' মহাক অসি কর্ম্মসিএল সেক্স ৱার্কর ওইনা অয়ূক নুংথিল নুমিদাংদা শেল তাল্লগা নোংমগী দোজ খরা ফংনবা হিংলম্বী নুপীমচা অমনি। লোয়ননা য়ু নৎত্রগা বীয়র শীজিন্নদুনা মখা তানা মখল মখা কয়াগী দ্রগ শীজিন্নবা তম্লকপনা দ্রগ এদিক্ট অমা ওইরকখি। নুংতিগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিবা থোক্লকপা য়ারক্তবা, শেল ফংলক্তবা মতমদা য়াম্না নুংঙাইতে । মপুরোয়বদা শেল পীয়ু হায়বসু য়াদা, ময়ূমদগী মমা মপাদগী তানবসু য়াদা ওম্থোক্লা নুমিৎ মঙানি-মঙানিসি থা খুদিংগী ৱানা খাঙখি হায়খি।

সিমসু মহাক্লা হায়রকখি মদুদি অঙাং নাওপুরবসু হোবে-হোবে চেল্লগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক ফংফম ফাওবা মখোঙনা চেনখিবসু য়াওখি। মশাগী ময়ূমদগী পোৎচৈ হুরাল্লগা য়োম্থোকপসু হৌরকখি অমসুং মহাক্কী মপুরোয়বনা ফুবদা নত্তনা নুপী ময়ামনসু ফূবী চৈবীখি অমসুং ইমুং মনুংদা মহাকপু মহীক চেনবী, মথোং হুক্তবী নুপী অমনি হায়দুনা ইম্থোকপীরকখি। য়াম্না নীংবা কায়বা ৱাফম অমনা, নুপী ওইবী অমা পুলিসনা, ক্লব, মৈরা পায়বীশিংনা ফাবা মতমদদি ওক্তবীনি, লমকেৎ লমহাইবীনি, লমচৎ নাইদবীনি হায়না চৈবী ঙাংবীবা কয়ানি অদুবু নুপা অমা পুলিসনা, ক্লব, মৈরা পায়বীশিংনা ফারবসু কৈসু হায়নবীদে। অদুম্না ইম্থোকপীবা, চৈবীবা কয়া অদুনা মরম ওইরগা লম্বীদা লৈবা দ্রগ এদিক্ট হায়বদি ষ্ট্রীট বেজ দ্রগ এদিক্ট অমা ওইরকখি। অদুদগী হিরোইন এদিক্ট অমা ওইনা হন্থনা য়েংলম্বদুগী মথক্তা কর্ম্মসিএল সেক্স ৱার্কর অমা ওইবগী double stigmatization অমসুং দিসক্রিমিনেসনগী চৈথেংসু ফংবা হৌরকখি অরোইবদা মশা মথন্তা শিজরসিরা হায়না খলহল্লি। মসিনি মহাক্লা নুংতিগী থেংনরিবা অৱাবশিং। ●

# অফবা লৈঙাক্কীদমক অফবা মীখল্লোয় মথৌ তাই

-খোনদ্রাম গ্যানেশ্বর -

অতিয়া নিংখায়রক্তুনা নল্লবসু, কিহন খংহনবা কয়া লাক্লবসু, ওইজ ওইথক্কী চিরোল কয়া তৌরক্লবসু পূম্নমক শিংনদুনা মীয়ামগীদমক থবক তৌগদবা অচঙবা মীহুৎ খন্দুনা ইরৈবাক কল্লসি। মীপূম খুদিংমক্লা চাওখৎপা, তংদু লৈতাবা অমদি করপসন লৈতবা লৈঙাক অমা পাম্মী। মদুগীদমক মথৌ মশক খঙনা থবক তৌবা, মীনম শোরিদবা, হৈশিংবা লৈঙাক্লোইশিংনা খুল্লিংবা, মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা লৈঙাক অমা লৈবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা লৈঙাক অমা লৈনবগীদমক মীৎয়েং শানবা, ফজনা ৱাখল খন্থবা ঙম্বা, ঙাইহাক্কী ওইজ ওইথক্তা মীকাদবা, মীনা হুমদুনা পুবা য়াদবা, মশাগী ফিরেপ লৈবা, অফবা মীখল্লোয় (ভোটর) গী মথৌ তাই। ঐখোয়না অফবা লৈঙাকলোয় খন্দ্রবদি অফবা লৈঙাক অমা কৈদৌঙৈদসু লাক্লোই।

অসিগুম্বা অফবা লৈঙাক্লোইশিং খন্নবগীদমক পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং মীরেপশিংগী মশক অমসুং মচৎ মুন্না য়েংলগা ঐখোয়গী মীহুৎ খনবা মথৌ তাই। ঐখোয়গী মরক্তা ইনাক কৈরাক খুনবা য়াইতোং খমদোংবশিংতবু শৌগৎপা, মখোয় মীওই খুজোক খরখক্তগী অমদি মশা মশাখক্কী য়াইফনবগীমক লৈবাক্কী অমসুং মীয়ামগী হৌজিক অমসুং তুংগী খন্দনা শক্তি লান্না শীজিন্নদুনা অমদি অরানবা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া তৌবা লৈবাক অমদি মীয়াম্বু লুম্না লৌদবা পার্টি অমসুং মীরেপশিং, নাকল অমদনা লৈবাক্কী, মীচম মীয়াম, লৌমী-শিন্মী, তুংগী আশা ওইরিবা নহারোলশিং, লায়র-অনংশিংবু লূম্না লৌবা অমদি তংদু লৈতাবা, নুংশি চান্নবা পুরক্লবা, ইরমদমগী লৈঙাক্লোন, খুন্নাইরোল, শেন্মীৎলোন অমদি মীয়ামগী পুন্সিরোল ফগৎহন্দুনা মতিং লৈবা, ৱাৎত পাদবা, ঈং-তপ্পা খুন্নাই অমা শাগৎননবা হোৎনবদা য়ূম্ফম ওইবা মীরেপ অমসুং পার্টিশিং কনা কনানো অমসুং করম্বনো হায়বা মশক মুন্না খঙদোকপা য়াম্নমক মথৌ তাই।

ৱাফমসি লাকপদা মমাঙদা ষ্টেট অমসুং সেন্টরদা লৈরকখিবা অমসুং হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকশিংগী মরমদা মুন্না নৈনদুনা মীয়াম্না থেংনরকখিবা অমসুং থেংনরিবা মখোয়শিং অদুগী মচৎশিং মখোয়না ওইহল্লিবা সোসিও পোলিটিকেলগী মওং, লৈঙাক্লোন, শেন্মীৎলোন অমসুং খুন্নাইলোন্দা লৈখিবা অমসুং লৈরিবা ফীভম ঐখোয়গী মাঙদা পুথোক্তুনা খল ওনবা তঙাইফদে। ৱাখল অমসুং কোক্লা ওনগদৌরিবা খল অসিগী ফলদি ৱাহং পরেংশিংনা ওইবা তাই। মদুদি ১) ঐখোয়গী লৈঙাক শক্তি শিন্নগদৌরিবা পার্টি অদু মথক্তা পনখ্রিবা পার্টিশিং অসিগী মরক্তা করম্বনো? ২) মমাঙদা অমদি হৌজিক লৈঙাক পায়খ্রবা নৎত্রগা পায়রিবা অমসুং পার্টি ওইরগনা মখোয়গী লৈঙাকশিং অদুনা লৈবাক মীয়ামগী করি করি তৌখিবগে? ৩) পার্টিশিং অদুগী আইদিওলোজি করিনো? ৪) মখোয়না পুথোক্লিবা মীরেপ অদু লেজিসলেটিভ অমসুং জুদিসিয়ারিগী লৌশিং কয়াম্না লৈরে। ৫) মহাক এসেম্বলি/পার্লিয়ামেন্টরি প্রোসিজর কয়াম্না খঙলে? ৬) কন্সটিট্যুসনেল নোলেজনা কমদৌরি। ৭) মীরেপ অদু নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী ওইবা লৈঙাক্লোনগী মরমদা গ্যান কয়াম্না লৈরে? ৮) লৈবাক অমগী পোলিসি প্লান্নিং অমসুং বডজেটতিংগী গ্যান নিংথিনা লৈরবরা? ৯) ইন্দিয়াগুম্বা দেমোক্রেসি চৎপা অমসুং ক্বাসি ফেদরেলিজমগী লিক্লমদা য়ূম্ফম ওইবা লৈবাক অমা সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী লৈনগদবা মরী অমসুং লৈঙাক্লোয়শিংগী থৌদাংগী মরমদা কয়া য়াম্না খঙলবগে? ১০) মহাক মপূং ফানা পার্লিয়ামেন্টরি দিবেটিংগী গুন লৈরব্রা? ১১) মীরেপ অদু কয়া য়াম্না থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী খনবা মীওইনো? মহাক্কী মমাঙদা মহাক্লা তৌখিবা থবকশিং করি করিনো? ১২) মহাক্কী লমচৎ শাজৎ কমদৌই? অসিগুম্বা ৱাহংশিংসি নৈনদনা অচুম্বা মীওই খঙবা ৱাগনি।

পূম্নমকশিং অসি কাম্থোক্লম্লগা শেল য়াম্না পুথোকপা ঙম্বা লল্লোনবশিং, দোজর, এক্সকাভেটর, রোল্লর অমদি ত্রক ময়াম লোয়বা থিকাদারশিং, খোঙবাল শেংবা, সরক মতেক নূঙ থাবা, দেব-কর্ম্মদা শেল য়াম্না থাবা, ৱাজাও ঙাঙবা, তাৎ হৈবা, তৌশিন্নবা পি শিন্থবা ঙম্বা অমদি মশক মতৌ, মরী মতা, শাগৈ নাতৈ, মরুপ মপাং য়েংলগা ভোট পীরবদি মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী খনবা অফবা লৈঙাক হায়বা অদুদি য়াম্নমক মমি শামখ্রে। এসেমব্লিদা দোজর থৌজিনবা য়ারোই। এসেমব্লিদি লৈবাক্কী অফবা পোলিসি প্লান্নিং অমসুং আইন শেমদুনা মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাংশিংগী খন্ননবা কোক্কী লৌশিংগী লানপুংনি। শেল পায়বনা য়ারোই, থিকাদার, করবারৱালা অমসুং শাশিন্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ওইরোই, মশামক্কী ওইজবা বিদ্যা শক্তিদবু মিকাদুনা চোঙথোক চোঙশিন তৌবা, মশাগী ফিরেপ লৈতবা মীওইশিংনা, মখোয়গুম্বশিং অসিনা এসেমব্লিদা চঙবদগী লৈবাক অসি কাং-খোং চাইরিবনি।

লাইবক থীবদি ঙসিগী ইরমদম অসিদদি মীখল হায়বা অসি অচৌবা কুম্মৈ অমগুম চথরক্লে। মতম অমদা য়াওশঙ কুম্মৈদা চাকচা হৈজানবা, শেল নীবা, মতম মাঙহনবনচিংবশিং পূম্নমক্তু ফৎতে হায়দুনা য়াওশঙবু স্পোর্টস ওম্থোকখ্রবসু হৌজিক ইলেক্সনবু য়াওশঙ ওম্থোরক্লে। ইলেক্সন্দা শেল নিবা ইকায়নদ্রে, কেন্দিদেটতগী শেল লৌরগা চাকচা হৈজানবা, নুপানা শানৈ য়ুনৈবা তৌদবা য়াদ্রবা মচল অমা ওইরক্লে। য়াওশঙগী অবের তৈনবদা ফূনবা, শাওনবগুম, ইলেক্সনগীদমক ফূন-চৈনবা, নাকপাক তানবা, হেক পোকমিন্নবা মচিন ননাও ফাওবা মুক্লবা, ৱার্করশিংগী মরক্তা অকন অরিং শিংনবদা নোংমৈ ফাওবা য়াওনরকপা পূম্নমক উরি, তারি। শেল থুংলক্ত্রবদি ভোট থাদরোই হায়বা ভোটরনা মশীং য়াম্লক্লে। কেন্দিদেটশিংনসু আইনগী ৱাংমদা শেল য়েনবা, পীজ-পীথকপা, য়াদ-য়াদ্রগনা কিহন খংহনবনা ভোট কাননবগী পান্থে ওইনা শীজিন্নরক্লে। মরক অসিদা কেন্দিদেটতা শেঞ্জাও পাংশিনবা কাঙবু অমসু থোরক্লি। পূম্নমক অসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙলবসু তৌরিবা পূম্নমক অসি ফত্তে খল্লবসু অহোয়নদুম মী অয়াম্বনা চোঙশিন চোঙশিন্দুনা য়াওশিনবদগী অশেংবা মীহুৎ খনবা ঙমদনা ঙসিসু লৈরি।

পূম্নমক অসিননি ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা মীচম মীয়ামগী মরক্তা লায়রবা ইনাকখুনবগী মমি ময়েক শেংনা হেনগৎলক্লিবা। ফুরুপ মশেলগী মরক্তা থাজনদবা হেনগৎলক্লিবা, ৱারোই পুরকপা ঙমদ্রিবা, লৈবাক্কী ৱাথোক লাম্থোক্কী মশিং হেনগৎলক্লিবা, খুন্নাইদা মুক্লবা থোরক্লিবা, শেন্মীৎলোন অমসুং লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরমদা মনিং হল্লক্লিবা, ইরমদম অসিবু ইন্দিয়াগী ঙমখৈ ঙাক্লনবা থম্বা লমদমগী মওংদা ষ্ট্রাটেজিক এরিয়া ওইনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মমিংতগী ওইনা তৌবা কয়াদা ইরমদম অসিদা ঙসি ফাওবদা লৌঙাক্লকপা লৈঙাক্লোইশিংনা তূমিন্না লৈশিল্লক্লিবা, মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা, অওৎ অনৈ, মীহাৎ মীপূন থিংনবা হোৎনদবা, চীং-তম খল মান্নবা চাওখৎহনবা ঙমদবদগী ওইরক্লিবা পেন্দবগী খোল্লাওশিং, ইরমদম অসিগী দেমোগ্রাফিদা পীরক্লিবা শাফু, লোইশিনবা ঙমদ্রবা কুম পুরবা প্রোজেক্ট কয়া, ইরমদম অসিগী থবক ফংদ্রিবা মীওই লাখ কয়াগী শুফম নোম্ফমগী লম্বী য়াৎপগী থৌশিল শেম্বীবগী মহুত্তা শেঞ্জা থুমজাগী থবক মীমাং থোরকপা, মীয়ামগী হকশেল অমম্বদা থম্বা, মহাম তারবা খুন্নাই অমগুম চথরক্লিবা মীরোল অসিদা হেনগৎলক্লিবা নিশাদা লাইচুখ্রবা নহারোল কয়াবু কন্ননবা হোৎনবগী মহুত্তা নিশাগী করবারদা য়াইতোং খমদোংবা য়াওশিল্লকপা অসিগুম্বা কয়াশিং অসি মতিক চাবা লৈঙাক্কী অমদি মীয়ামগী মীহুৎ খন্দবগী মহয়নি।

মসি পূম্নমক অসি য়েংলুরগা ইরমদম অসিদা লৈরিবা পোলিটিক্স লল্লোনবা, মশাগী ফিরেপ লৈতবা শাশিন্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংবু মায়থীবা পীদুনা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী খনবা অফবা মীহুৎ খন্দুনা ইরমদম অসিবু কন্ননবগী অকনবা থবক লৌখৎহৌদ্রবদি তুংগী মীরোলগী লাইবক আশা লৈত্রবা অমম্বা লম্বী অমদা চৎলগনি। ঙসিগী মীরোল ঐখোয়বু তুংগী মীরোলনা চৈহৌরগনি। পূম্নমক অসিদগী কন্ননবগীদমক লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুরগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল অসিদগী মীখল্লোয় (ভোটর) ঐখোয় পূম্নমক্লা ইশা ইশাগী ঙাইহাক্কী ওইজবা খরখক থাদোক্লগা ঐখোয় পূম্নমক্কী, হৌজিককী অমদি তুংগী মীরোলগী লোম্বা নাইদ্রবা কান্নবা অদু ফংননবগীদমক অচুম্বা মীরেপ খনবা হৌরসি। শাশিন্নবা পোলিটিক্স তৌবশিংবু মায়থীবা পীরসি। মীয়ামগী থৌগল তৌজগে হায়দুনা ভোট নিরগা কাখ্রবা মতুংদা মীয়াম্না মখোয়গী থৌগল তৌবা তোক্লসি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হিংমিন্নসি নুংশিননা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

*ক্বাক্কী লানপাউ চেল্লক্লে, চরোই তেতু খোঙলক্লে, ইমাগী ইবুংঙো হৌগৎলো, নমীৎ নমাই তাথোক্লো, ক্যামগৈ লৈহাও ফবা লমনি, মাম্মা লাকই ফিদা থাও, তোঙ তোঙ তোঙদ্রুম্বী, চক্রিক নক্রিক চকৱাইবি, লাই মরোং মশীং থি, থা থোই কৌরি থা, তেমু তেমু মতোল সনা চি চৌ, চা চৌ, শীরি খৎ খৎতোকউ...।*

ওহ!... ঙসিগা কয়াদা চাউনা খেন্নরবা, ঙসিগী অঙাংশিংগী পাড়াদা অসিগুম্বা ৱাহৈ ৱাতাগী খুদম চাংদম য়াওবা লাইৱাগা পাংখক ওইরবা অঙাংশিংনা তম্ননবা লাইরিক অমফাওবা লৈত্রে। ঙসি ঙসিমক্কী অঙাংশিংগী লাইরিক্তা করিগুম্বা অসিগুম্বা ৱাহৈ ৱাতাগী লাইরিক লৈরম্বা তারবদি তন্বীবা অমসুং পাবিবগী মহুত্তা শেগাইদুনা নৎত্রগা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখিবা শোয়দ্রে। মথক্কী অসিগুম্বা ৱাঙাঙ-শঙাঙ য়াওবা লাইরিক্কী মতম অসি মীপূম খুদিং চম্না হিংমিন্নবা পুন্সি মহিংগী মওং মতৌ শং-শংনা উৎপা লাইরিকনি। অরান অহুই মীনম শোরিবা ৱাঙাঙ শঙাঙ শীজিন্নবা তৌনদনা অমনা অমবু অদুক্কী মতিক ইকায়খুম্নবা লোয়নরিঙৈ ঙসিদগী চাওরাক্লা চহী হুম্ফুমুক্কী মমাঙগী মতম অদুৱাইগী পুন্সি মহিংগী অশেংবা মমিনি হায়বা তাই।

মীওইবা কৌবা মপোক ওইরুবনা করিগুম্বদা অমনা অমবু থাজনদবদগী য়েৎনবা শাওনবা থোক্লকপদা থাজনদবা কোক্ননবা 'ইমা কম্বি ঙৌ চা শিগে, ব্রজনা পান্দুনা শিগে, সৈত্যা বিদ্যা শাক্ষি, কা হায়দুনা মচিন্দগী শোন্দুনা হায়খ্রবদি থাজনরমদবা পূম্নমক কোকখিদুনা পুন্সি চুপ্পা অচেৎপা মরুপ শেমখিদুনা নুংশিননা হিংমিন্নে। মতমদুগী মতম থানবা অমসুং তাকপদা 'নুমিৎ মাঙ্গোল চঙলক্লে, মাঙ্গোল ময়ায় য়ৌরক্লে, চুরি তাফম য়ৌরক্লে, তুলশিবোং য়ৌরক্লে, হায়দুনা হৌজিক্কী (ঘড়ী) গুম্না মতমগী খোঙচৎ তাক্লে। অদুগা নুমিৎ পোলাংখোক য়ৌরক্লে হায়খ্রবদি নুমিৎ তাগদবা কুইদ্রে অহিং ওইরক্কদৌরে হায়না খঙনৈ।

লৈকায়গী কনাগুম্বা ইমুং অমগী পুখ্রি তৌবা নৎত্রগা য়ূম শাবনচিংবা য়াওরবসু মশাগী অচিনবা ফনা লৈনরবসু য়ূমথোঙগী মীওই অমমম লাক্লদুনা মতেং পাংশিন্দুনা লোইশিনমিন্নে। লৈকায়দা ইমুং অমগী অনা অয়েক অশোক অপন থোক্লবসু মীয়াম চঙদুনা হংনবগা লোয়ননা শেলগী, অচা অথক্কী অমসুং পাঙ্গলগী মতেং পাংনৈ। মরু ওইনা অশি অনা নংবা ইমুং য়াওরক্লবদি য়ূম্থু (কর্ম্ম ধাড়ি) গীদমক্তা মথৌ মঙম পাঙথোকপা হেক লোইদ্রিবা ফাওবা মীয়াম্না ফৈগাক ফৈনা লেপ্পীদুনা য়ূম্থু ৱাহন্দনবা য়ারিবমখৈ হোৎনবি। পোকপগীসু অদু মঙাই নুপারা, নুপীরা হায়না অহানবমক্তদা হংনবসিমদি শোয়দ্রে। পোকপা নুমিৎ তরুকনি শুবগী অয়ূক্তা পাঙথোকপা 'ইপাল থাবা' গী থৌরমদা মাইবীনা পোকপা কুইদ্রিবা আঙাংদু য়াংকোক মথক্তা হাপ্লগা ফুঙ্গা ৱাইরু মখোঙদা পাঙথোকপা লাইশোল তিনশোলগী থৌরমদা লৈকায়দা লৈবা অঙাংদগী অহল অমসুং মরী মতাগী মীওইশিং শরুক য়ামিন্নদুনা অঙাংগী পুন্সি নিমিন্নদুনা খুঞ্জাও লৈচাওনরগনি খন্না নুংঙাইবা ফোঙদোকমিন্নরবা তুংদা অঙাংদু মাইবি ওইরিবীদুনা মৈনিং কুল্লীবী মমাদা 'সে সে নচা লৌজরো' হায়দুনা মমাদা অঙাংদু শিন্নরগা অয়ূক্তুগী থৌরম লোইশিল্লি। লৈকায়গী য়ূমলোন খরা অরাপ্পদা পাউ অমা হায়নীংবা অমসুং চেন্নীংবা লৈরবসু থংনবা য়ূমদুদা হায়খ্রগা মথং মথং য়ৌখিবগুম, মী অমা কৌবা লংবা তাদ্রবসু, লৈকায়গী অউবা মীশক অমদা 'য়ূমদা থিনহৌরে' হায়না পাউ তমখিবদা কৌবা লংবা তাখিদ্রবা মীওইদু ময়ূমদা য়ৌরকপনা হানগনি।

চহীগী অমুক্তং থোক্লকপা হরাও কুম্মৈদসু লৈকায় পূন্না শরুক য়ামিন্নবগী মনুং চন্না কুম অমগী শজিবু চৈরাওবগী অয়ূক্তা লৈকায়গী বামোনগী লাইশঙদা য়ূমথোঙ খুদিংনা মশা মশাগী ইম্ভোলদা ফংবা হৈ-রা অমসুং এঞ্জাং নাপিনা শেম্বা অথেনপোৎ 'শীধা' শিং য়াচংলকপা মতমদা বামোন থৌরানিদুনা অথেনপোৎশিং পূন্না তোৎশিল্লগা লৈকায় য়ূমথোঙগী নুমিদাংগী চপ মান্নবা মথেলদা থোংদুনা চামিন্ননবা মতম চানা য়ৌহল্লক্তুনা য়াম্না নুংশিননা হিংমিন্নে। করিগুম্বদা ইমুং অনীগী মরক্তা কৌনা ঙাঙনরমদবা লৈরম্লবসু ইমুং অমদা থৌদোক ৱাথোক অমা থোক্লবদি হায়নরুবা হৌনরুবা তৌদনা নুংঙাইনদবা পূম্নমক কাম্থোক্লগা অঙম্বা মতেং পাংনখিবদগী পুন্সি চুপ্পা খোইখা লিনখা থানদনা নুংশিননা হিংমিন্নে। অদুবু ঙসিগী পুন্সি মহিংগদি কয়াদা ওন্ন-তৈনরবা, চামিন্নবা হাওবনি, পুমিন্নবা য়াঙবনি, তরাগী চৈশুনা লেংথোন ফাই হায়বা অহল লমনগী পাউরৌ কাউবা মখৈ, করিসু নত্তবদা হন্দক্কী ২০২২গী থা খরসিগী মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনগীদমক্তা লৈকায় অমত্তদা লৈমিন্নবা মশেলগী মরক্তা ফূনরি, চৈনরি, খৎনরি, হাৎনরি। মরম অসিনা ঙসি হায়বা নুমিৎসিদগী ঐখোয় মশেল নুংশিনদবা, মলোম থম্নরম্বা পূম্নমক মরূ ফংনা ফূকতৎতুনা য়াম্না লাপ্পা হুন্দোকপা ঙমদুনা ঐখোয় হিংমিন্নসি নুংশিননা।

*অদোমগী - এল ইবোমচা, তাওথোং*

## টিকেট

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঐখোয়গী লমদম অসিদা হৌজিক হৌজিক টিকেটকী ত্রেন্দ অমা লাক্লিবা অসি য়াম্না ফত্তবা লম্বী অমদা লাকপগী মমি তারে। টিকেটকীদমক খৎন-চৈনবা কয়াসু থোকপা লেপ্তে অমদি টিকেট ফংহৌদবা কেন্দিদেটশিংনা টিকেট ফংবা কেন্দিদেটতা অতম্নবা ৱা ঙাঙবা অমদি য়েৎনবনচিংবা কয়া থোক্লিবা অসি কেন্দিদেটশিংনা ৱাখল তাদবদগী থোকপা ঙাক্তনি। মসি ঐখোয় থোকহল্লোইসি। টিকেটকীদমক্তা পার্টিগী ফ্লেগ, বেনরনচিংবা কয়া মৈ থানবা অসিগুম্বসু তৌরোইসি। টিকেটসিদি পার্টি অমগী মশাগী প্রিন্সিপল অমদা অপাম্বা মওংদা মখোয়না ফরনি খনবা কেন্দিদেটশিংদা লাউথোকচবনি। মসিদা থোইদোকপা ঈরাং শাগৎফম থোক্তে খঞ্জে। কেন্দিদেটশিংনা আশা কয়া কায়জরবসু করিমত্তা খনবীগনু। মীয়ামগী থৌগল তৌবদি ভোট খক্তনা নত্তে। মীয়ামগী থৌগল তৌনীংবশিংদি ভোট লেপত্রবসু অদুম থৌগল তৌবা য়াবা কয়া লৈ। শোত্থরিবা কয়া ঐখোয় ময়াম চঙদুনা মেনখৎপা য়াই। পুকচেল শেংনা মীয়ামগী থবক তৌবা অদুখক্তনি মীয়াম্না পাম্নরিবসি। ঐখোয় পূম্নমক ঙসিদগী ৱাখল তানা লৈমিন্নরসি। খৎন-চৈনবগী মহুত্তা অমনা অমবু সপোর্ট তৌমীন্নদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্লসি। ঐখোয় পূম্নমক ভোটনা মমা মচা, মচিন মনাও নুংশিনবগী মরী অদু তৎহল্লোইসি। কেন্দিদেটশিংনা কাঙলোন চুম্না ভোট খোম্বীয়ু। মসিনা ভোট লোইখ্রবসু অফবা মরী থম্বা ঙমগনি। ভোট অমুক লাকপদা অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লোইসি। কেন্দিদেটশিংনা ৱার্করশিংবু অফবা লম্বীদা পুশিন্দুনা অফবা ওইহল্লসি।

*অদোমগী - নিংথৌজম রোনাল্ডো, হৈরোক পার্ট-২*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।